লৈঙাক্কী ফূদ টেষ্টিং লেবোরেটরি মপুং ফানা মথৌ তৌহন্নবা দেসামনা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা কেমিকেল কয়া শীজিন্নরগা উহৈ-ৰাহৈশিং মুলহল্লম্স্বগীদমক পুলিসনা ফারবা মীতোপ অনী মরালগী মতুংইন্না চপ চাবা থবক লৈঙাক্লা লৌখৎকদবনি হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট'স এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দা এস নীকিতা চনুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মপান লমদগী চঙশিল্লকপা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ইরমদমসিগী য়েলহৌমীশিংদা তোঙান-তোঙানবা ক্রাইম কয়া চথুরকপগী মনুং চন্না হন্দক সীটি পুলিসনা হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা কেমিকেল কয়া শীজিন্নদুনা উহৈ-ৰাহৈ মুলহল্লম্স্বগীদমক ফাগৎখিবা মীতোপশিং শক্তিমান প্রসাদ অমসুং দোশ মহমদ অন্সারিগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি।

অসিগুম্বা মীতোপশিংনা চথুরক্লিবা য়েলহৌমীশিংদা চীঞাক্তা হূ য়ানল্লিগা তপ্না-তপ্না শিহল্লক্লবগী লাল্লোং অমা চথুরক্লিবা অসি মীয়াম মীৎকপ থোকপা মতম ওইরে। চান-থক্লবগী পোৎলমদা হূ চেনবা কেমিকেল কয়া শীজিন্নদুনা উহৈ-ৰাহৈশিং মুলহল্লবা মতুংদা হায়রিবা পোৎশক অদু চারুবদগী তোঙান-তোঙানবা লায়না কয়া নারক্লবা মচাক ওইরি।

উহৈ-ৰাহৈশিং মুলহন্নবগীদমক তোয়না শীজিন্নরিবা কেলসিয়ম কার্বাইদ, এ সী টি টিন, ইথাইলিন, ইথানোল অমদি ইথিলিন গ্লাইকোলনচিংবনি। মরুওইনা খ্বাইদগী হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা উহৈ-ৰাহৈ মুলহনবদা শীজিন্নরিবা কেমিকেলদি কেলসিয়ম কার্বাইদনি। কেলসিয়ম কার্বাইদ অসি শোৎ শৌবগী ইন্দষ্ট্রিদা শীজিন্নবা পোৎশক অমখকনি। অদুবু হায়রিবা কেমিকেল অসি ফূদ ইন্দষ্ট্রিদা অশঙবা উহৈ-ৰাহৈশিং মুলহন্নবগীদমক্তা শীজিন্নরকপা হায়বসি লাইবক থীবনি।

হন্দক্তা পুলিসনা ফাগৎখিবা মীতোপ অনী অদু কেলসিয়ম কার্বাইদ শীজিন্নবগী চপ চাবা লংলা-লংজিন লৈবা তারবদি অহকপা চৈরাক মণিপুর লৈঙাক্লা পীগদবনি।

কেলসিয়ম কার্বাইদতা আর্সনিক অমদি ফোস্ফরসকী চাং ৱাংনা য়াওবনা কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া থোকহল্লক্লবা মচাক ওইরি। লোয়ননা কেমিকেল অসি শীজিন্নদুনা মুলহনবা উহৈ-ৰাহৈশিং চারুবদগী তুন্নীংবগী পাঙ্গল ৱাৎলকপা, ৱাখল লৈতানা লৈহন্দবা, নীংশিংবগী শক্তি ৱাৎলকপা, চাকখাউ শোকহল্লকপা, মীৎকী পাঙ্গল হন্থহল্লকপা, নীংশা চনিং চানা হোনবা ঙল্লক্তবা, মীরোনবী অমদি পোল্লক্কদৌরিবা অঙাংশিংদা এবনোর্মেল ওইবা ফীভম কয়া থোকহল্লক্লবগী চৈথেং কয়া নংবা য়াই। অসুক্কী মতিক হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা কেমিকেল শীজিন্নরম্স্বগীদমক ফাগৎলবা মীওই অনী অসি চপ চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি। ফূদ সেফটি দিপার্টমেন্টনসু তোঙান-তোঙানবা মফমদা উহৈ-ৰাহৈ য়েল্লিবশিং অসি লোনা য়াদবা উহৈ মুলহন্নবা কেমিকেলশিং শীজিন্নব্রা হায়বগী চপ চাবা থবক পাক্তক্লনা লৌখৎপা মথৌ তারে।

লোয়ননা মীতোপ অনী অসি কন্দিসন অমত্তদা বেল পীবা য়ারোই। চান-থক্লবা চীঞাক্তা মণিপুর মনুংদগী পুথোকপা অমদি মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলম খুদিংমক হাইজিনিক ওইব্রা ওইদ্রবা নৎত্রগা হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং য়াওব্রা হায়না খঙদোক্লবগীদমক মতমগা চানবা খূৎশু-খূৎলায়শিং থমদুনা লৈরিবা ষ্টেট ফূদ টেষ্টিং লেবোরেটরি অসি চপ চানা মথৌ তৌহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক পায়খৎকদবনি হায়রি।

অহানবা ইন্টরনেসনল ইম্ফাল আর্ট কেম্প ঙসি হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

এন ঈ স্কোলার মেগাজিননা প্রজেক্ট তৌবা অহানবা ইন্টরনেসনল ইম্ফাল আর্ট কেম্প ২০১৭ হৌদোকপগী থৌরম হয়েং স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল খোঙজোমদা পাঙথোক্লগনি।

ঙসি নুংথিল য়াইস্কুলদা পাউমীশিংগা উনবদা এন ঈ ব্রদরস ইন্টরটেনমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্টর নেলসন এলাংবমনা হায়খি, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর মণিপুর টুরিজম দিপার্টমেন্ট অমসুং স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলনা স্পোন্সর তৌদুনা এন ঈ ব্রদরস ইন্টরটেনমেন্টস প্রাইভেট লিমিটেদকা কংলা আর্ট গ্রুপ, মিক্স মিদিয়া ফাউন্দেসননা পূন্না শীন্দুনা এন ঈ স্কোলার মেগাজিননা প্রজেক্ট তৌবা অহানবা ইন্টরনেসনল ইনফ্রা আর্ট কেম্প ২০১৭ স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল, সোল্ট ভিলেজ খোঙজোমদা থা অসিগী ২১ দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ মঙানি চুপ্না পাঙথোক্কদবা প্রোগ্রাম অসিদা ইন্দিয়াদা নৎতনা অতোপ্পা লৈবাক কয়াদগী আর্টকী লম্বীদা হৈশিংলবা মীওই কয়াসু শরুক য়াগদৌরি। আর্ট কেম্প অসি মরুওইনা নোলেজ শ্যের তৌনবা অমসুং কন্টেম্পররি আর্ট ফোর্মবু ৱার্কশোপ ওইনা পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা উৎথোকপনি।

আর্টিষ্টশিংনা মশা-মশাগী হৈজবা আর্ট কয়া অদু পুথোক্তুনা কেম্প অসিদা উৎকদৌরি। মসিদসু নৎতনা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদা আর্ট ফোর্মশিং অসি খঙহনবতা নৎতনা কলচরগী লমদা কোরিয়া অমসুং মণিপুর খূৎশম্মদুনা চৎমিন্ননবা হোৎনমিন্নগদৌরিবনি।

এন ঈ ব্রদরস ইন্টরটেনমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদ মণিপুরবু আর্টকী লম্বীদা মালেমদা শক তাক্লবা হোৎনরিবনি। কেম্প অসিদা পূন্না রেসিদেন্ট আর্টিষ্ট ৪০ না শরুক য়াগনি। মদুগী মনুংদা কোরিয়াদগী আর্টিষ্ট অনী, ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা আর্টিষ্ট ১৫, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং অমসুং মণিপুরগী মহুৎ শীনবা আর্টিষ্ট ২৩ না শরুক য়াগনি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোগ্রাম অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ডা. কে সুশিলা, দিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর, ডা. আর কে নিমাই, ফোর্মর কন্সল্টেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং য়ুম্নাম নবচন্দ্র, প্রিন্সিপাল ইম্ফাল আর্ট কোলেজনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা টি ঐচ রোবিন্দ্রো, আর্টিষ্ট কম ওর্গনাইজর, গুরুময়ুম কৃষ্ণদাসসু শরুক য়াখি।

এমসু ইবোতোনসনা য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

এমসু হেদ ক্বার্টরসকী কোওর্দিনেসন এন্দ নেটৱার্কিং সেক্রেটরি অথৌবা লাইশ্রমগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ইবোতোনসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিন্দুনা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা এমসু ইবোতোনসনা য়ুনিট ঙৰাং হাংদোকখ্রে। এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনসম প্রিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাক্কী স্কুল হায়বসি লায়রবশিংগীদি থৱায়নি। মতিক চানা শেল পুথোক্তুনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা তমহনবা ঙমদবদগী লৈঙাক্কী স্কুলদা মহৈ তমহল্লিবনি। অদুমকপু লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ফীভমদি নীংবা কায়নিংঙাই ওইরক্লি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিদগী কন্দুনা মান্নবা খুন্নাই পুরক্লবগী ৱাখল্লোনদা এমসু ইবোতোনসনা য়ুনিট হাংদোকপনি। য়ুনিট অসিগী থৌ পুনবা এম মেরিন্দাবু প্রসিদেন্ট, কে ঐচ প্রিয়াবু জেনরেল সেক্রেটরি, এ দাইসিবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

এসে রাইটিং কম্পিটিসন

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিকিং ২০১৭ গী থৌরমগা মরী লৈননা ষ্টেট লেবেল এসে রাইটিং কম্পিটিসন অমা থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্লগনি। দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্ট এ কামেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা লিম্থোইঙম্বী হোলদা থা অসিগী ২৪গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট লেবেল এসে রাইটিং কম্পিটিসন অসি কেটগরি অনী থোক্লা ক্লাস সিক্সতগী আইট অমসুং ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিংগী ওইনা ইংলিশ মেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তারকপশিং অদু থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট লেবেল ফঙ্কসনদা কেশ প্রাইস অমসুং সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোক্কনি। থৱায় য়াওবা মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টশিং, স্কুলগী ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু কম্পিটিসন অসিদা য়াওহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহৈরোয়শিংদা খঙহল্লক্লি।

জেলগী ষ্টাফ লৌগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

জেল দিপার্টমেন্টকী অহাঙবা ফম খরা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টকী খুথাংদা লৌগদৌরি। জেল দিপার্টমেন্টকী গ্রেদ থ্রী অমসুং ফোরগী পোষ্টশিং অসিগীদমক মরী লৈনবা ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জনা কেন্দিদেটশিং স্পোন্সর তৌরক্লবা খঙহল্লক্লি। লৌগদবা পোষ্টশিং অদুদি, দ্রাইভর, পিওন, চৌকিদার, বারবর, কূক, মেসন অমসুং ৱাটর পম্প ওপরেটরনি। পোষ্টশিং অসিগী ইলিজিবল এদ্যুকেসন ক্বালিফিকেসননা ক্লাস টেন পাস তৌবা ওইগদবনি হায়না মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱাগী সুপরিন্টেন্দেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ইফটার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৫-জে এ কে রাইফলসকী সী ও বি ময়াং ইম্ফালনা শীন্দুনা বেঙ্গুনদা ঙসি ইফটার পার্টি পাঙথোকখ্রে। রামদান থাগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ইফটার পার্টি অদুদা ইরোং বেঙ্গুন, থেলাখোং অমসুং উচিৱা ভিলেজদগী লাকপা মীয়ামগী লুচিংবা অমসুং মোস্কশিংগী মৌলাবী অমসুং খুলগী অহল কয়ানা শরুক য়াখি। ঈচাওনা অৱাবা নংলবা মীয়াম্না ইফটার পার্টি পাঙথোক্তুনা লাইশোন থৌরম পূন্না শরুক য়ামিন্নখিবা অদুবু মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

ৱাঙ্খেই এ সীগী চেঙ পীফম থোকপা খুদিংমক্তা পীখি : কম্মিটি

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

ৱাঙ্খেই এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী রসনিং এজেন্টশিংনা চেঙগী চাকথুং মৎলে হায়না ফোঙদোক্লরকখিবা ৱাফম অদুগা মরী লৈননা ৱাঙ্খেই কেন্দ্র অপূনবা এজেন্ট কম্মিটিনা মরী লৈনবা ৱারোলশিং শেংদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ৱাঙ্খেই কেন্দ্র অপূনবা এজেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি পি ঐচ ইন্দিরানা হায়খি, অতম্নবা ৱাফম খরা ৱাঙ্খেই এ সীগী এজেন্টশিংদা মরাল শীরক্লিবা অদুগা মরী লৈনবা পাউখুম ওইনা ফোঙদোরকপদা মমাঙ চহীগী মে ২৪ দা লৈঙাক্লা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না শীন্দোকখ্রবা রসনিং এজেন্ট ১১গী মিংদা চেঙ লৌথোকখ্রগা মশীং শুনা য়েন্থোক্তে হায়বসি চৎনবা য়াদবা ৱাফমনি। করিগীদমক এজেন্ট ওইদ্রবা মীওইশিংগী মিংদা দিপার্টমেন্টনা চেঙ ইস্যু তৌরিবনো। মদুদা মরী লৈনবশিং এক্সন লৌরোইদবগী মরম খঙনিংই।

হৌজিক রসনিং এজেন্ট ওইরিবা এজেন্ট খরদা মখা তানা দি সী ইম্ফাল ইষ্টনা শো কোজ নোটিশ পীবদা দি সী মশামক্কী য়াওফম থোকপা খূৎয়েক য়াওদবা অমদি কনাগুম্বা মহুৎ শীনবা য়াবা ওফিসল অমা ফাওবগী খূৎয়েক য়াওদবা অসি করম্বা রুলগী মখাদনো হায়না মহাক্লা হংলক্লি।

থাগী ওইবা চাকথুং চেঙ মতম কয়াগী মমাঙদগী চলান/পর্মিট পায়জরবসু দিপার্টমেন্টনা চেঙ পীথোক্তনা থল্লগা মীয়ামগী চাকথুং য়েন্থোক্তে হায়বসিগী মরাল কনানা ওইফম থোকই হায়না হংলকপগা লোয়ননা দিপার্টমেন্টমী মীওই খরনা লন্নাই মীওই খরগা লৌতুনরগা এজেন্টশিংবু মরাল লৈরে হায়না মীয়ামদা খোঙ্গোয়ননবা শীনবনি হায়রোইদবগী মরম করিনো হায়না মখা তানা হংলক্লি। হৌজিক লৈরিবা এজেন্টশিংগী মরক্তা কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা কয়া অমনা ৱাকৎলিবা অদু মশা শুকখঙ খঙদবা য়াওরি। কনাগুম্বনা খূৎয়েক শাজিনবীবা য়াওরি হায়না মরাল শীরি।

ৱাঙ্খেই এ সীগী চেঙগী ক্বোটা কয়া মাঙবা য়াওরি হায়বসি কম্মিটি অসিগীসু থাজবনি। মরমদি রসনিং এজেন্ট ওইখিদ্রবা মীওই কনাগুম্বনা চেঙ চিংথোকখিবা লৈরে হায়বসিদা দিপার্টমেন্টনা কন্দায় ফাওবা থিজিল্লিবগে হায়না হংলি। দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন অসিগী ওফিসর খরনা মপানগী মীওই খরগা লৌতুনরগা মীয়ামদা চম্মবা পোকহন্দুনা লৈরে হায়না মরাল শীরকপগা লোয়ননা মতাং অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দি সীগী থৌদাং য়াম্না লৈগনি হায়রি।

অরোইবদা, চিংথোকখিবা চেঙ খুদিংমক বেনিফিসরিশিংদা মাগী-মাগী পীফম থোকপা খুদিংমক লোইনা পীখি। মসিগী রেকোর্দ এজেন্টশিংদগী ওঠোরিটিগী অয়াবগা লোয়ননা য়েংবা য়াগনি অমদি হীরম অসিদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংবীগনু হায়রি।

সাইকুল এ সীগী চেঙ থা ১দগী হেন্না য়েন্দ্রি : এন পি ও

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা সাইকুল এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী কার্দ হোল্ডরশিংগী ফংফম থোকপা চেঙগী চাং শুনা ফংহন্দ্রে হায়না সাইকুল এরিয়া নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন পি ও)না ফোঙদোরক্লি।

সাইকুল এরিয়া নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট চান্স রাইখমগা ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মখা তানা হায়খি, নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা কুমজা ২০১৭ গী জান্যুৱারীদগী জুন ফাওবগী ওইনা সাইকুল এ সীগী ওইনা থা অমখক্কী চেঙ পীরি। মসি করি মরমগীনো হায়বসু মীয়ামদা খঙহন্দ্রে। মীয়ামগী ফংফম থোকপা থা ৫গী চেঙ মাঙলি। থা অমগী চেঙ য়েনবা অদুসু কেজি অমদা লুপা ৩.৫০ অমসুং কার্দ হোল্ডর অমদা চেঙ কেজি ১০/১০ পীরি। চেঙ কেজি ১০ শুনা ফংদবা কার্দ হোল্ডরসু য়াওরি। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দি সীদা হংলুবদা থা মশীং শুনা এজেন্টশিংদা চেঙ পীখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি। তৌইগুম্বসুং চেঙ য়েল্লিবা এজেন্টশিংদা হংলুবদনা চেঙ পীদে হায়না ফোঙদোরকখি। ফেয়র প্রাইস শোপ ৮ লৈ অমসুং নাগা তাবা খুল চাউরাক্লা ৪০ রোম লৈবগা লোয়ননা নাগাগী মীশীং ৬০০ লোম লৈবনি। মরম অদুনা চেঙ ফংদ্রিবা কার্দ হোল্ডরশিংগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংহনবীয়ু হায়রি।

মোইরাংথেম মনিরামগী অসামি ফিচর ফিল্ম *জোনদিখ্যোন* উৎকনি

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

ফিল্ম সোসাইটি মণিপুরনা শীন্দুনা শক্লাইরবা অসামি ফিল্ম মেকর মোইরাংথেম মনিরামগী শকখঙনরবা অসামি ফিচর ফিল্ম *জোনদিখ্যোন* (ট্রান্সলেসন) হয়েং নুংথিল পুং ৫ তাবদা ষ্টেট ইনফোর্মেসন সেন্টর পেলেস গেটতা উৎকনি হায়রি।

কুমজা ২০১৫ কী মেদা ন্যু দিল্লিগী ইন্দিয়া হেবিটেট সেন্টরদা পাঙথোকখিবা কন্টেম্পররি ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা ইনোগুরেল ফিল্ম ওইনা উৎখি।

ন্যু হোরাইজন ফ্রোম নোর্থ ইষ্টতা ইনোগ্যুরেল ফিল্ম ওইনা উৎখি। গোৱাদা কুমজা ২০১৫ তা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট সেক্সনদসু উৎখি। মিনিট ৯৫ শাংবা ফিল্ম অসি কুমজা ২০১৪ দা পুথোকখিবনি অমদি ফিল্ম অসি শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর নিংথৌজা লানচানা এদিটর অমসুং ম্যুজিক দিরেক্টর ওইনা পুথোকপনি। লোয়ননা মণিপুরী স্ক্রুপ্টতা ফিল্ম অসি দিরেক্সন পীদুনা পুথোক-খিবনি। ইন্সর্জেন্ট গ্রুপ অমনা কিদনেপ তৌখ্রবা অভিনাস বারুৱাগী লোয়নবী অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা থেংনখিবা অৱাবা কয়া অদু ফিল্ম অসিদা ময়েক শেংনা উথোকপনি হায়রি।

মোইরাংথেম মনিরামনা পুথোকপা অসামি ফিচর ফিল্ম মোনজাইনা কুমজা ২০০৮ কী অসামি লেংগ্বেজদা বেষ্ট রিজনেল ফিল্ম ফোর নেসনল ফিল্ম এৱার্দ ফংখি।

নক্সলবারি অপরাইজিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ :

মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা নক্সলবারি অপরাইজিংগী চহী ৫০রক শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসি মালেম পুম্বগী মাওইষ্ট লূপ ময়ামগী ওইবা ৱারেপ অমগী মখাদা পাঙথোক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনসু ৱার্ল্ড প্রোলেটেরিয়ান রেভল্যুসনরিগী ইন্টরনেসনল কন্টিঞ্জেন্ট অমা ওইনা মণিপুরদা পাঙথোকপনি।

খ্বাইদগী হেন্না চাওথোকচনিংঙাই ওইবা ৱাফমদি নক্সলবারি অপরাইজিংগী থৌরম অসি মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা নৌনা শেমগৎলিবা য়াওল খুলশিংদা পাঙথোকখিবা অসিনি হায়রি। কুমজা ২০১৭ দগী হৌনা লূপ অসিনা য়াওল খোঙচৎতা অনৌবা খোঙকাপ অমা ওইনা য়াওল খুল মঙা মায় পাক্লা শেমগৎপা ঙল্লে। য়াওল খুল মঙামক্তদা লূপ অসিনা নক্সলবারি অপরাইজিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপদা নৎতনা মখা তানা য়াওল খুল ওইনা শেমগৎকদৌরিবা খুলশিংদসু লূপ অসিনা নক্সলবারি অপরাইজিংগী ৱাখল্লোন শন্দোকপা ঙমখি।

নক্সলবারি অপরাইজিং করম্না হৌরকখি অমদি হৌজিক্লা করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বদু লূপ অসিনা শাগোন্নরিবা খুলশিং অসিগী মীয়ামদা পাউদমখি। মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা চেৎনা থাজে মদুদি, মণিপুরদা চপ চানা য়াওল লালহৌগী লৈহাও লৈ অমদি লৈহাও অসিদা মাওইষ্টকী লালহৌ মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙমগনি। য়াওল খুল মঙা মায় পাক্লা শেমগৎপা ঙম্বা হায়বসিমক য়াওল লালহৌগী খুমাঙ চাউশিনবা খোঙথাংনি। মখা তানা অতোপ্পা খুল কয়াদা লূপ অসিনা য়াওল খুল ওইনা শেমগৎনবা চঙশিল্লি। খোঙচৎ অসিদা লূপ অসিগী রেদ গার্দশিং হকথেংননা মায়পুনবগা লোয়ননা পোলিটিকেল কাদরশিংনা অঙম্বা থাক্তসু মতেং পাংলি। হৌজিক লূপ অসিগী ওইনা মায়কৈ কয়াদগী তোঙান-তোঙানবা খোল্লাউ কয়াগা লোয়ননা য়াওল লালহৌগী থবকশিং খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লি। জুলাই থা ফাওবদা লূপ অসিগী অনৌবা তাঙ্কক্কী মশক অমা শোয়দনা উবা ফংলগনি।

লেনিনগী সাইন্টিফিক প্রিদিক্সন 'দ রেভল্যুসনরি ষ্টোর্মস ইন দ ইষ্ট' হায়বদু তশেংনমক অচুম্বনি। মণিপুরদা য়াওল লালহৌগী চপ চাবা লৈহাও লৈ অমদি মীয়ামদা য়াওল লালহৌ অমা চঙশিন্নবগী শেম শাবা চপ চানা লৈ হায়রি। খুন্নাইগী থাক অমা ওইনা মিদ্দল ক্লাস অমদি ফম্নাইবশিংদা য়াওল লালহৌসি মুথৎখিবা পাম্মী অমদি য়াওল লালহৌগী অচুম্বা লীক্লম নৈনবা ঙমদবা ঙাওচৎনবা অদুবু বুরজুৱাগী এদ্যুকেসনদা মতিক চানা লাইরিক তম্লবা কয়া অমনসু য়াওল লালহৌগী মায়োক্তা লেপ্লি হায়বসি অচুম্বনি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু য়াওল লালহৌনা অচুম্বা লীক্লম অমদা লাক্লগদি হায়রিবা কাঙলূপশিং অসি লোইনা য়াওল লালহৌদা মপুং ফানা শৌগৎলক্কনি হায়বসিদি মণিপুর মীয়াম হুপ্না খঙই।

য়াওল লালহৌদা কাঙলূপশিং অসিনা য়ানিংদ্রিবগী মরমদি য়াওল লালহৌ হৌরুবশিংগী থৌওং খরদগীনি। মরম অদুনা য়াওল লালহৌলূপ অমনবু অচুম্বা য়াওল লীক্লম অমদা খুমাঙ চাউশিল্লকপা থোক্লগদি মীয়াম হুপ্না য়াওল লীক্লম অদুদা শৌগৎলক্কনি হায়বসি ইন্দিয়ানসু খঙই অমদি মণিপুর মীয়াম্নসু ৱাখল তাই।

ইন্দিয়ন মাওইষ্টনা খুমাঙ চাউশিল্লক্লিবা অসিনা মণিপুরদা চাওনা শাহুম পীবা ঙমদে। অদুবু মণিপুর মাওইষ্টসু খুমাঙ চাউশিল্লক্তুনা নীংতম লাম্হেং অসিগী তাঙ্কক অমদা পুরকপা ঙল্লগদি ইন্দিয়ন মাওইষ্ট অমদি মণিপুর মাওইষ্ট অনীগী অওক-অথোমদা সাউথ এসিয়ন সব-কন্টিনেন্টকী পোলিটিকেল এফ্যের্সতা চাওনা অহোংবা লাক্কনি হায়বসিদি মণিপুরগী মীয়াম্না উবা ফংই হায়রি।

তাঙ্কক অসি মণিপুর মীয়াম্না য়েক্লবা কনানো অমদি মরূপ কনানো হায়বা ময়েক শেংনা উরি হায়বগী অচেৎপা খুদমনি। মরম অদুনা ইন্দিয়ন মাওইষ্টনা খুমাঙ চাউশিল্লকপদা মদুগী নুংঙাইবা অদু মণিপুর মীয়ামদসু ফাওহল্লি। ইন্দিয়ন মাওইষ্ট হেন্না-হেন্না খুমাঙ চাউশিল্লক্তুনা ইন্দিয়াগী ওৎপী-নৈবীরবা মীয়াম্বু মনিং তম্বা পীবা ওইরসনু হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। লোয়না লোয়ননা মণিপুর মাওইষ্টকী লালহৌসু খুমাঙ চাউশিল্লক্তুনা 'য়ুনিটি ওফ ষ্ট্রগল'গী অচেৎপা ৱাখল্লোনদা ইন্দিয়াবু পূন্না মায়থীবা পীমিন্নগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

ওজাশিংনা শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি : এমেষ্টা

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচর এসোসিএসনগী ওজাশিংনা হয়েং অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী খোয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মনিংদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়রি।

রিক্যুইজিট ক্বালিফিকেসন স্কেল অমসুং দাউন গ্রেদেদ ১৭৫ গ্রেজ্যুয়েট টিচরশিংনা শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনগদৌরিবা অসিগী অহানবা তাঙ্কক্তা এম জয়, লিৱাচংনিং হায় স্কুল চান্দেল, এন বসন্ত, মহাবলি রোংমৈ য়ু পি এস, সাসান্ত চক্রবর্তি, মহাবলি রোংমৈ, য়ু পি এস, ঐচ কেবিসনা, ধনেশ্বরি পি এস, সী ঐচ রাধেশ্যাম, হৈঙাং ময়াই লৈকায় পি এস, টি ঐচ অপান্বী, ফোইজিং চীংনিং পি এস, এ ইন্দুবালা, খোংমন মঙজিল পি এস অমসুং দল্লিয়ু সুনিতা, নহারুপ পি এস হায়রিবা ওজাশিং অসিনা চরা হেনগনি হায়রি।

ষ্টেট কেবিনেটনা চহী অসিগী এপ্রিল ২৮ দা রিক্যুইজিট ক্বালিফিকেসন স্কেল অমসুং দাউন গ্রেদেদ ১৭৫ গ্রেজ্যুয়েট টিচর ফংলিবা ওজাশিংবু রিগ্যুলরাইজেসন তৌবীনবা ৱারেপ লৌখ্রবসু এগজিক্যুটিবকী ওইনা ওর্দর থোকপীদবনা মরম ওইদুনা থা ১০ তোলোপ ফংদ্রিবা অসিগী অৱাবসি য়েংবীদুনা রিগ্যুলরাইজেসন ওর্দর থোকপীদুনা তোলোপ ফংহনবীয়ু হায়বা খোঙজং চঙশিনগদবনি হায়না এমেষ্টাগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ শান্তকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

‘প্রাইভেট স্কুলশিং য়েংশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ২০(ঐচ এন এস) :

বোসেম অমসুং কোসেমনা পীরিবা রুল অমসুং রিগ্যুলেসনশিং অসি প্রাইভেট স্কুলশিংদা চৎলিব্রা হায়দুনা থা অসিগী ১ দগী হৌনা য়েংশিন খোঙচৎ অমা চৎলুবদা হায়রিবা রুলশিং অসি চৎলমদবা স্কুল কয়া অমা থেংনরে হায়না সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্ট'স য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)না ফোঙদোরক্লি। এস এস য়ু এমগী মখাদা শেন্বা প্রাইভেট স্কুল সর্ভে কম্মিটিগী কনভিনর য়ুম্নাম রিসিকান্তগা ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা মখা তানা হায়খি, অসিগুম্বা মরী লৈনবা ওঠোরিটিগী রুল অমসুং রিগ্যুলেসন চৎলমদবা স্কুলশিং অসি এক্সন লৌখৎপীয়ু। স্কুল অমগী লৈফম থোকপা লাইব্রেরী, প্লেগ্রাউন্দ, লেবোরেটরি রূম, ষ্টুদেন্টস কমন রূম, টিচর কমন রূম অমদি সেপরেট টোইলেট অমদি স্কুল মেনেজিং কম্মিটিনচিংবা লৈতবা মারিয়া মোন্তেস্বরি স্কুল লাঙ্গোল, এসেমব্লি ওফ গোদ লম্ফেল, গুরু নানক স্কুল থাঙ্গাল বজারনচিংবা স্কুল অসি য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

ফ্রী আই কেম্প

ইম্ফাল, জুন ২০ : লায়ন্স আই হোস্পিটাল এন্দ সার্ভিসেস ট্রষ্টনা শীন্দুনা থা অসিগী অনীশুবা ফ্রী আই ক্যের কেম্প এয়রপোর্ট রোদ সঙাইপ্রৌদা লৈবা লায়ন্স সার্ভিস সেন্টর ওফ লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালদা থা অসিগী ২৫গী অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট ব্লাইন্দনেস কন্ট্রোল সোসাইটি অমসুং লায়ন্স ক্লব ইম্ফালনা শীন্দুনা কেম্প অসি পাঙথোক্কদবনি।

CROSSWORD-2450



ACROSS

1 Sauntered (6)
4 Scare (6)
8 Entice (5)
9 Theft (7)
10 Italian wine (7)
11 Given admission (3,2)
12 No longer valid (3,2,4)
17 Rage (5)
19 Need (7)
21 Mollify (7)
22 Wear away (5)
23 Underground passage (6)
24 In fact, truly (6)

DOWN

1 Assail (6)
2 Italian child (7)
3 Devoured (5)
5 German measles (7)
6 Excellent (5)
7 Attempting (6)
9 Strengthen (9)
13 Connected row of houses (7)
14 Incident (7)
15 Floor covering (6)
16 Decapitate (6)
18 Cereal (5)
20 Chess piece (5)

Solution 2449

C	U	B	S	■	E	I	G	H	T	E	E	N
U	■	A	■	V	■	N	■	O	■	A	■	E
T	A	N	K	A	R	D	■	U	P	S	E	T
P	■	A	■	N	■	I	■	S	■	T	■	T
R	I	L	E	D	■	S	W	E	D	E	N	■
I	■	■	■	A	■	P	■	■	■	R	■	A
C	I	V	I	L	S	E	R	V	A	N	T	S
E	■	I	■	■	■	N	■	A	■	■	■	S
■	A	L	W	A	Y	S	■	C	A	C	T	I
T	■	L	■	G	■	A	■	U	■	R	■	S
I	R	A	T	E	■	B	O	U	Q	U	E	T
L	■	I	■	N	■	L	■	M	■	D	■	E
L	E	N	G	T	H	E	N	■	R	E	A	D

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2249

			5					4
	4			1		6		8
		1	6	8		7		
6				4	8			
		4				2		
			2	5				7
		6		9	1	8		
9		8		2			6	
1					3			

Solution-2248

6	3	7	2	9	1	4	5	8
5	1	4	3	7	8	9	6	2
9	8	2	6	4	5	7	1	3
1	9	6	7	8	3	5	2	4
2	4	3	9	5	6	1	8	7
8	7	5	4	1	2	3	9	6
7	6	1	8	3	9	2	4	5
4	5	8	1	2	7	6	3	9
3	2	9	5	6	4	8	7	1

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
(The longest Coaching Centre in Manipur and 21 years service)
Run by Resource Persons and Former Examiners
ADMISSION OPEN
FOR 2ND BATCH CLASS IX,X,XI & XII FOUNDATION COURSE-COHSEM & CBSE
CONGRATULATIONS!! CONGRATULATIONS!!
Our Selected Students for NEE-I Ent. Exam. 2017
Class starts on: 23rd June, 2017
Class timing: 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
Office Hour: 4:00 p.m. to 8:00 p.m.
Limited Seat, Hurry Up!!!
Pliz Contact: B.C.C. Manipur
(Elite Sr. Sec. Building)
Kakwa Asem Leikai, Burma Roaad
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856310202
HL-B/3947/17/06-16/07

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তুং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথুবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/3917/05/06-04/07